
থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# ‘স্পিরিচ্যুয়েলিটি’ ! খঙলবরা ঐখোয়বু?




‘স্পিরিট’ হায়বসি করিনো? ৱাহৈ অসি করি হায়রিবনো হায়বা খঙলবসু, ইরোনসিদা করিনা মহুৎ শিনগদবনো হায়বদুদি ঐ তশেংনা খঙদে। ঐগী লোন-পূক্কে ইনাক খুন্দে। কনাগুম্বা অমগী ‘লু-তোং-হকচাংদি নত্তবা, মশাদুগী শরুক অমদি ওইবা শকউদবা মতৌ’ অদুবু স্পিরিট কৌই। খুদম ওইনা, ‘থৱায়’। ‘থৱায়’ হায়বসি অহিংবা হকচাং খুদিংমক্তা য়াওরিবা, পোৎশক ওইনদি লৈতবা করিগুম্বা অমনি। ইশাগী থৱায় নত্তবা, অতোপ্পা কনাগুম্বা (মী নৎত্রগা শা) অমগী থৱায়দুনা হকচাংনুংদা চঙখ্রে হায়না খন্নবা মতৌ অমা মীওইবনা মরক মরক্তা উৎথোরকই। অদুগুম্বা মতৌ অদুবুনি ঐখোয় অয়াম্বনা ‘স্পিরিট চঙবা’/ফত্তবা লাই চঙবা হায়নরিবা। মরম অসিনা, ঐখোয় অয়াম্বনা ‘স্পিরিট’ হায়বসি নেগেটিব ওইবা ক্যারেক্টর/ফত্তবা লাই/ভুট প্রেটনচিংবা ওইনা লৌনৈ। ঐখোয় (মীতৈ) গী ওইবা কলচরদা ‘লাই তোংবা’ হায়বা, লাইগী থৌগল তৌবী (মাইবী) শিংগী মতৌ অমগা লৈ। অদুসু ‘স্পিরিট চঙব’গী মওং অমনি।

ইংলিস লোন অসিসু অঙকপনি। ‘স্পিরিট’ হায়বা ৱাহৈসিগী হেক থঙথরকপা ৱাহৈ ‘স্পিরিচুঅল’ হায়বা অসি ওইরগদি পুমতোপ তোপ্পা ৱাহন্থোক অমরোমদা খন্নরে। কনাগুম্বা মীওই অমগী মফমদা তাঙনা চেনবা, অফবা গুন ময়াম অমা। ঙরাং-নহান্দগী, ৱাখলসিদা পাপ-পুন্যগী ৱাখল অমদি মী অফবা-ফত্তবগী মরমদা খরা খল্লকপদুদা পাইশিল্লক্লিবা লমফৈ-ৱাখলনি - হৌজিক’ মতমগী মীওইবসি ধর্ম্ম মশক খঙদবা, ধর্ম্ম-লৈতবা মীগী মশীংনা হেল্লক্লে, মীশিং’সিনা মশানা থাজবা রিলিজন/ধর্ম্ম অমগী মমিং পন্দুনা শক্তাকচরগসু মশাদা ‘স্পিরিচ্যুয়েলিটি’ হায়বসি মচেৎ অমত্তা য়াওনদ্রে। রিলিজন অমদি স্পিরিচ্যুয়েলিটি - অনী পূন্না চৎমিন্নগদবদু তোখায় তোখায় তানরে। ঙসিগী খ্বাইদই হেন্না মীশিং য়াম্বা ওর্গনাইজ রিলিজন ওইরিবা ‘খৃষ্টিয়ানিটি’ অমদি ‘মোহম্মদনিজম’ অনীগী ফাউন্দর ‘যিজজ-খৃইষ্ট’ অমদি ‘হজরট-মোহম্মদ’ - মশাগী পুন্সি খোঙচৎকী হৌরকপদু য়েংবীয়ু - অৱাংবা থাক্কী স্পিরিচ্যুয়েল ওইবা মতৌ অমা য়াওরম্বনি - ঙসিগী তুংইনবশিংগী মফমদা পূম্মাঙ মাঙখ্রবা!

মরম অসিনা, ঙসিগী এদ্যুকেসনগী মঙাল ফংলবা, খুন্নাই-নৈনবা মীওইশিংনা হায়রকই… ‘রিলিজন হায়বসিদি অতোপ্পা কনাগুম্বনা থেংনখিবা এক্সপরিয়েন্স অদু তাবদা থাজদুনা মতুং ইনবনি; স্পিরিচ্যুয়েলিটি হায়বসিনা কনাগী থৌইনশিন য়াওদনা ইশানা এক্সপরিয়েন্স তৌজবনি’…।

ৱাখল হায়বসি খনবা হৈরকপা মতম, ইমা-ইপা-ওজা-গুরু-ইথক-থোংবশিংনা হায়বা ৱাদুতং তারম্বা, মখোয়গী য়াথংতমক ইল্লম্বা মতম অদু লোইখ্র’তুংদুদা খনখিবনি - রিলিজন হায়বসিদা স্পিরিচ্যুয়েলিটি হায়বসি মশানা অদুম য়াওজরগদবনি। মেচ্যুরিটি হায়গদ্রা? ইশাগী ওইবা ইরন্নাই ওপিনিয়ন লৌবা ঙম্লকপা মতম হায়গদ্রা? মতম অমা লাকখি। মতমদুদা খঙলকখি - স্পিরিচ্যুয়েলিটি অমদি রিলিজন, অনীসি অমত্তা ওইরক্তে। রিলিজিয়স লীদর অমদি স্পিরিচ্যুয়েল লীদর-লুচিংবা মখল অনী থোরক্লে। করিদগী? রিলিজিয়স লীদর’না স্পিরিচ্যুয়েল ওইরক্তবা! রিলিজন’না পোলিটিক্স ওইরকপদগী! খেন্নফম থোক্তবা অনীসি খেন্নরক্লিবা, অতৈদা নত্তে, ইচম চম্বা মরম অমদগীনি - অমনা, চহী কয়াগী মমাঙদা পোল্লম্বা, শিখ্রবা কনাগুম্বা অমনা উৎলম্বা ফীদম, শেল্লম্বা লন্থী অমদি পীরম্বা পাউজেল ইন্দুনা চৎপা পামজবা। অমদুনা, অতৈগী ৱা তাশিল্লগা মশাগী থম্মোয়’-ইথিল খুদুঙ ইন্না চৎচবা, লোয়ননা, মশাগী অমদি লৈমিন্নরিবা ময়ামগীদমক অচুম্বনি খনবদু অকিবা লৈত’ পাঙথোকপা পামজবা - অসিনি। মহাক্তি, চৈরাক ফংনি কিরুদে, মনা ফংনি হরাওদে। মপূক্লিংনা পেনবদে - ফংফম থোকপা মনানি। স্বর্গদা কাবা, নোরোক্তা তাবই ৱারী চঙদে মঙোন্দা। স্পিরিচ্যুয়েলিটি হায়বদি ‘কর্ম্ম’ নি, তৌফম থোকপা থৌদাংদুনি। ইচম চম্বা প্রিন্সিপলনি - লো ওফ এত্রেক্সন’নি- নঙনা পীথোকখিবদু নঙনা অমুক ফংগনি।

লাইরৈবাক্কী লাইরেম্বী অমদি লাইগী মতিক মঙমগী ৱারী লীবই মহুত্তা, স্পিরিচ্যুয়েল গুরুশিংনা হায়গনি… ‘নঙনা অচুম্বনি খঙলবা লন্থীদুদা, চুমদ্রিং চৎলু অদুগা শেল্লম্মু নশাগী অনৌবা ৱারী অমা, লাইগী ৱারী লীরুন্’…।

লাইগী ৱারী! অমদি স্পিরিচ্যুয়েলিজম! করম্না মরী লৈনবা? ‘জোন লেন্নন’ - বৃটিশ সিঙ্গর’দুনা মাগী পুন্সি ৱারী লীবদা হায়রম্বা ৱা অমা নীংশিংলকই… ‘ঐদি ঈশ্বর থাজে, অৱাঙবা অতিয়াদা লৈবা, আ মমাঙঙৈদা ইপা ইপু শেল্লমখিবদু নত্তবা, নঙ-ঐ-ঐখোয়গুম্বা কনাগুম্বা অমা ওইনা … বুদ্ধ, যিজজ, মোহম্মদনচিংবনা হায়রম্বশিংদুসু অচুম্বা ঙাক্তা ওইরমগনি, থাজে ঐ, অদুবু, মখোয়গী মতুং ইনবশিংনা, ঐখোয়বু খঙহন্নবা হন্দোক্লম্লিবা ৱাহন্থোক, ত্রান্সলেসনশিং অসিদি অরানবা ত্রান্সলেসন শোয়দনা ওইরমগনি’…।

কনাগীসু মখা পোন্দনা, নীংতম্না, অতোপ্পগী মতেং লৌদনা ইশাবু মশক খঙননবা হোৎনবা হায়বসি স্পিরিচ্যুয়েলিটি হায়বসিগী মরুওইবা পান্দমনি। স্পিরিচ্যুয়েল গুরু ‘ওশো’ নসু হায় … ‘খৃষ্টিয়ন অমা ওইগে কৈদৌঙৈদা খল্লুনু, খল্লু - ঐ অতোপ্পা যিশু অমা ওইগে’ …। মহাক্লা মখা তাখি … ‘শিখ্রবা কনাগুম্বা অমনা কৈদৌনুংদা নঙবু অৱাবদগী কনবীনবা অনৌবা মপোক অমা পোক্তুনা হল্লক্লোই, কঞ্জগদবনি নশানা’ …। মহাক্লা হায়রম্বরা কাউখরে, মহৈরোয় ওইরিঙৈ থেংনখিবা ৱাহায় অমগা নীংশিংলি … ‘ঈশ্বর মনাক নক্কে, মাবু ফংগে কৈদৌঙৈদা খল্লুনু, নঙনা তৌরিবা থবক্কী মতুংইন্না লাক্কনি মহাক ননাক্তা শোয়দনা’…।

অদুদি, নুংশিবা অমসুং শান্তি পুরক্কদবদি ‘স্পিরিচ্যুয়েলিটি’ খক্তননি, য়াবীনীংব্রা?

লৌশিং পুক্কে

# তূম্বগা মরী লৈননা ঙাক্কদবা কাঙলোনশিং

ইচম চম্বা মাল্লবসু তূম্বগী মায়ওনগা মরী লৈননা ঙাক্কদবা কাঙলোন লৈজে। অহল-লমনশিংনা মমাঙ ওল্লগা তূম্মু হায়না মখা থাবশিংদা হেক হেক ঙাঙবা শোয়দনা থেংনরম্লগনি। হীরম অসিগী মতাংদা অখঙ অহৈশিংনা থিজিনবদা তূম্বগী মায়ওন অসিয়াম্না মরুওই হায়বা খঙলকখি।



হকচাংগী মথক থংবা শরুক্তা লৈরিবা হার্টনা গ্রেভিটিগী মায়োক্তা মথকলোমদা ঈ কাপখৎপবুদি মখারোমদা কাপথবনা হেন্না লায়না থোকই। মথক থংবা ঈ উতোংশিং অসুক্কী মতিক কুপ্পী মদুদি ব্রেনগা শম্নরিবা ঈ উতোং পুম্নমক শম্নামুক্তং চাউই। কুপখ্রবা ঈ উতোংনা অহেনবা ঈ পুবা ঙমদে। ঈ দ্রোপ অমত্তং ওইরবসু হেন্না পুরুবা মতমদা শিংলি পোকখা-য়রক্তুনা হিমোরেজ তৌই।

কোক্লা অৱাংলোমদা ওল্লগা তূম্বা মতমদা করি থোরকপগে হায়বদু খঙমিন্নসি। ঐখোয় খুদিংমক্লা মালেমদা মেগনেটিক ফিল্ড লৈবগী ৱাফম খঙলে। কোক্লা অৱাংলোমদা ওল্লগা পুং ৫/৬ তূম্বা মতমদা মতিক ময়াই কল্লবা মেগনেটিক ফোর্সনা ব্রেনদা প্রেসর পীরকই। চুম্না লেপ্পম্বা হকচাংনা হীপথবা মতমদা থম্মোয়গী মিহুল (পলস রেট) তপথরকই। করিগুম্বা তপথরক্তবা থোল্লবদি কোকলোমদা ঈ কা হেন্না চঙলকপদগী অমাঙ অতা থোরকপা য়াই। কোক্তা ঈ য়ৌদবা য়াদে অদুবু কা হেনবা মওংদা ঈ য়ৌহনবসু য়াদে। মসিনা ঈ উতোং কায়হল্লকপদগী পেরালাইটিক ষ্ট্রোক তৌহল্লকপা য়াই।

মথৌ তাবা চাংদগী হেন্না য়াম্না ব্রেনদা ঈ য়ৌরকপা মতমদা খোয়রাং খোয়শাউনবা পোকহল্লকই। মরক-মরক্তা নোংমা ফাদোক অৱাং ওল্লগা তূম্বদা হেক্তমক শিরগনি হায়বা নত্তে। অদুবু নুমীৎ খুদিংগী অৱাংলোমদা ওল্লগা তুম্লবদি ইশানা ইশাগী মংফম থিবা ওইনা থোক্কনি। কয়া য়াম্না অমাঙ-অতা থোরক্কদগে হায়বদুদি মী মীগী সিষ্টেমগী মপাঙ্গল কনবা কন্দবগী মখা পোনগনি।

হকচাংগী ওইনা খ্বাইদগী ফবদি মমাঙলোমদা ওল্লগা তুম্বনি। অৱাং নোংপোক নৎত্রগা মখারোমদা ওল্লগা তূম্বসু থোইনা অকায়বা লৈতে। অদুবু অৱাং ওনবগী মহুত্তা মনিং ওল্লগা তূম্বনা হেন্না ফৈ হায়রি। ৱাফম অসি নোর্দর্ন হেমিসফ্যেরদা লৈরিবা মীওইশিংগীদমক্তনি। বোর্দর্ন হেমিসফ্যেরদা লৈরিবা মীশিংনা অৱাংলোমদসু ওন্দ্রবদি ওন্নিংবা মায়কৈদা ওল্লগা তূম্বা অকায়বা লৈতে হায়রি। সাউদর্ন হেমিসফ্যেরদা লৈরিবা মীওইশিংগী ওইনদি খা মায়কৈরোমদা ওল্লগা তুমলোইদবনি।

অতোপ্পা অমনা তূম্বা হৌগৎপদা লোংনা খক হৌগৎলোইদবনি হায়নবা ৱাফম লৈ। য়েৎলোমদা হান্না য়াওল্লগা চেপ্পা হৌগৎপনা খ্বাইদগী চুম্বা পোজিসননি হায়নৈ। মসিগী মরুওইবা মরমদি মেটাবোলিক এক্টিভিটি তপথরকপা মতমদা লোংনা নৎত্রগা ওয়রোমদা চেপ্পগা হৌগৎপা খুদোংথিনিংঙাই ওইবদগীনি। তূম্বা হায়বসিমক্তবুসু মেটাবোলিক এক্টিভিটি তপথর-ক্লবনি। মেটাবোলিজমগী চাং নেপ্লিঙৈদা লোংনা হৌগৎপা নৎত্রগা ওয়রোমদা য়াওল্লগা হৌগৎলবদি হার্টকী মথৌদা অকায়বা থোকহল্লি।

অতোপ্পা ৱাফম অমনা অয়ুক য়াহৌরকপা খুদিংগী খুৎ অনী নোইরগা খুবাক্লা মীৎতা থমগদবনি হায়না মমাঙঙৈদগী হায়নদুনা লাক্লি। থৌওং অসি তাইবঙ মপু উনবগী পাম্বৈনি হায়নবসু লৈ। তশেংবদি ৱাফম অসি লাইগা মরী লৈনবা নৎতে। নর্ভশিংগী লোইশিল্লকপা শরুক অয়াম্বা খুৎ অনীমক্তা লৈ। খুৎ অনী নোইবা মতমদা নর্ভশিং এক্টিভেট তৌহন্দুনা হকচাংগী সিষ্টেম পুম্নমক মথৌ তৌরকই। তূম্বা হেক হৌগৎপগা হকচাং লেঙদ্রিঙৈদা ব্রেন অমদি অতৈ কয়াৎশিং হান্না এক্টিভ ওইহনবা মথৌ তাই। মরম অদুনা খুৎ অনী নোইরগা মীৎ অনীদা খুৎ নাম্ম-নাম্মা থমগদবনি।

তূম্বা হেক হৌগৎপগা অশাউবা শকফম উৎলোইদবনি অমসুং মোমোন নোক্কদবনি হায়নবা ৱাফম অমসু লৈ। মসিগী মরুওইবা মরমদি অশোয়-অঙাম অমত্তা য়াওদনা য়াহৌরকপা ঙম্বগী নুংঙাইবা ফোঙদোকউ হায়বনি। মীওই কয়া অমা তূমখিবদগী অমুক হন্না হৌগৎলকখিদ্রবা য়াওরিবনি। খুদোংথিবা অমত্তা মায়োক্নদনা তাইবঙদা অমুক মীৎকপ থোরকপা হায়বসি তরাই-তরাইবা থৌওং নৎতে।

# চাক্লাম খোঙচৎ থৌরমগীদমক মীয়ামদগী মতেং লৌরগনি : এমসু

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০২ (ঐচ এন এস):

৫৪ রকশুবা চাক্লাম খোঙচৎ নীংশিং থৌরম পাঙথোক্কবা মীয়ামদগী মতেং লৌরগনি হায়না ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) গী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি লুনপাও লুফেংনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কুমজা ১৯৬৫ তা লমদমসিদা থোকখিবা খুৎশেমগী চাক তাঙবা থৌদোক ঙসিসু নীংশিংলি। মতম অদুগী লৈঙাকপশিংনা অৱাবা তারবা মীয়ামগী খোল্লাও তুংওইনরগা নীংঙাইদনা লল্লোন-ইতিক তৌবা খরগা মান্নরগা লৈথোকপদগী চাবা ফংদবনা চরি তৎলবা মহৈরোয় অমদি মীয়াম্না লৈঙাক্তা পারা তম্বীনবা হৌনবা নাইদনা খোল্লাও অমগা লোয়ননা খোঙজং চঙশিনখি। অৱাবা তারবা মীয়ামগী খোল্লাও অদু নীংথিনা তাবীবা অমদি অৱাবা অদুদগী কোক্লবা লৈঙাক্লা খন্নবগী মহুৎতা সিফাই থাদোক্তুনা মীয়ামগী খোল্লাও অমদি খোঙজংবু নমথনবা সিফাইশিংদা য়াথং পীদুনা মহৈরোয় অমদি মীয়ামদা য়েক্নবা থেংনবগী মতৌগুম নোংমৈনা কাপখি। নোংমৈ মতোন্দা হাপ্পিবা সঙ্গিননা থিন্দুনা ওৎ-নৈখি।

লাইবক থীবা থৌদোক অসি ওগষ্ট ২৭, কুমজা ১৯৬৫ তা থোকখিবনি। মরাল লৈজদ্রবা মহৈরোয় অমদি মীয়াম সিফাইগী মখুৎতা অশোক-অপন নংবা য়াম্না য়াওখি। মহৈরোয় ৩ অমদি এ আই আর ইম্ফালগী ষ্টাফ অমা য়াওনা মীওইমরি থৱায়না পোন্থা পীখি। লাইবক থীবা থৌদোক অসিগী নোংঙাল্লবা মতুং লমদম অসিদা লৈরিবা মহৈশঙশিংগী মহৈরোয়শিং পুনশিন্দুনা ইরমদম অসিগী মীয়াম্না থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়া অমদি মহৈরোয়শিংগী অপূনবা বোদি অমা শেমদবা য়াদে খন্দুনা এমসু শেল্লকখি।

ওগষ্ট ২৭ তা থোকখিবা লাইবক থীবা থৌদোক অসি তুংগী মীরোলদা অচুম্বগীদমক ইশাগী ফংফম থোকপা রাইট তানবা কিরোইদবনি হায়বা পাউজেল পীবা ওইনা চাক্লাম খোঙচৎ নীংশিং থৌরম পাঙথোক্তুনা লাক্লি। থৌদোক অসিবু নীংশিংদুনা লমদম অসিগী মীয়াম্না চীঞ্জাক্তা মীপাল তাঙদবগী হৈনবী থম্নবা শুবা নোম্বা কনবা, পুনশিনবগী ৱাখল্লোন চেনমিন্নবা, পুন্না হিংমিন্নবগী ৱাখল্লোন পীবা ওইনা এমসুনা নীংশিং থৌরম অসি পাঙথোক্তুনা লাক্লি। কুমসি চহী অসিদা ৫৪ শুবা চাক্লাম খোঙৎ নুমীৎ মায় পাক্লা পাঙথোক্কবা থৌরম অসিদা তঙাইফদনা চঙবা পোৎচৈ অমদি শেল মীয়ামদগী মতেং ওইনা লৌরগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# জষ্টিস ফংহল্লু হায়না মৈরা থানখ্রে

জিরিবাম, ওগষ্ট ০২ (ঐচ এন এস):

বেবিসনা মীশিগী জষ্টিস ফংহনবীয়ু অমদি মরাল লৈবা চৈরাক পীয়ু হায়বা পান্দমদা ওল জিরিবাম ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ননা শীন্দুনা মৈরা কৎখ্রে।

থৌরম অদুগী মতাংদা য়ুনিয়ন অসিগী প্রসিদেন্ট ঙাথেম বিশ্বর্জিৎনা ফোঙদোকখিবদা, ষ্টেন্দর্দ রোবার্থ হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী মহৈরোয় বেবিসনানা মহাক্কী বোর্দিং কাদা শিবা মীশি অসি য়ুনিয়ন অসিনা হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা মহাক্কী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি। মীশি অসিগী মতাংদা মীচঙ মীখায় নাইদনা অচুম্বা ৱায়েল পীদুনা মীয়ামদা খঙহনবীয়ু হায়খি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা য়ুনিয়ন অসিগী ভাইস প্রসিদেন্ট সেরাম হেরাজিৎনা হায়খি, মহৈরোয় বেবিসনা চনুগী মীশি অসি কন্দেম তৌই। মীশি অসিদা চেন্নরিবা মীওইশিং ফাদুনা মরালগী মতুংইন্না লোগী ওইবা জষ্টিস ফংহল্লু হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

য়ুনিয়ন অসিগী এদভাইজর টি ঐচ শরতনা ফোঙদোকখিবদা, মহৈরোয় বেবিসনা চনুগী মীশি অসিদা জষ্টিস ফংহন্নবা অমদি মহৈরোয় অসিগী থৱায়না ঈংনা চিক্লা লাইরম্লেন্দা লৈরুনবা অমজুনা মৈরা কৎতুনা থৌনিবনি হায়খি।

থৌরম অদুদা য়ুনিয়ন অসিগী এদভাইজর অমদি মেম্বর কয়াসু শরুক য়াখি।

জিরিবামগী মায়ওন ওইরিবা বাবুপারা ইরাবত ষ্টেচু কমপ্লেক্সতা লৈবা ওল জিরিবাম ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন, জিরিবামনা শীন্দুনা মৈরা কৎপগী থৌরম অদু পাঙথোকখিবনি। ষ্টেন্দর্দ রোবার্থ হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী মহৈরোয় বেবিসনা চনুগী মীশি অসিগী মতাংদা জষ্টিস ফংহনবীয়ু অমদি মরাল লৈবশিং চৈরাক পীয়ু হায়বগী পান্দমদা ঙসি মৈরা কৎপগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি হায়নসু য়ুনিয়ন অসিগী প্রসিদেন্ট ঙাথেম বিশ্বর্জিৎ অমদি অতৈ থৌ পুবা কয়ানা ফোঙদোকখি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৩।০৮।২০১৯ ইং, থাংজ,
থৱানগী ৩ নি পাল্লি ।

মেষ : পাউ নুংঙাইবা তাগনি, লম-চৎপা কান্নগনি অমদি থাজদনা অফবা মফম ফংগনি। শেল চিনবা, হোয়া ফবনা মতম মাঙবা অমদি য়েৎনবা য়াদবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী - থেংলপ্পা নুংঙাইবা খরা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

বৃষ : মরুপকী মতেংনা মায় পাক্কনি অমদি হনবা লৈতনা মাঙলোমদা চংশিনবনা মীনা লাকচবা ঙমলোই। য়েক্লবা ঙম্বা অমদি মীয়ামগা অফবা মরী লৈবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিথুন : নচাক-নরল চাওখৎপা অমদি অনৌবা থৌরম চিং লেম্না পাংবা ঙমগনি। অদুবু অশাওবনা মাঙহনবা অমদি য়েক্লবনা পাঙ্গলবসু লৈ। চিন য়াওগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কর্কট : অশাওবনা মাঙহনবা অমদি খন্থুদনা ঙাঙবনা ইকায় নুংশি-য়ান্নবা থৌদোক নংবা য়াবা লৈগনি। ইমুং-মনুং ৱা তান্নবা অমদি থিজিনবা কনবনা কান্নবা ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - খাংবা কনবনা য়াইফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক/থোইদিং অমুবা।

সিংহ : হরাওবা-নুংঙাইবা অমদি লাইবক ফবা নুমিৎনি। পাউ নুংঙাইবা তাগনি অমদি অনৌবা অফবা মরুপ-মপাং ফংগনি। খন্থুদনা থবক পাংলদি চাদিং হেন্না তৌগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - পূক্লিং ফাথবা ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ।

কন্যা : নরল চাওখৎকনি অমদি মীকোকসু শোইদনা থোংগনি। লাই-গুরুনা লেম্নমক চানগনি অমদি পন্দুনা লৈবা শেল-থুম ফংনবা হোৎনবা য়াগনি, থৌনা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

তুলা: শেল ফংগনি, লল্লোন ইতিক য়াম্না কান্নগনি অমদি মীংচৎ উরোং ফংবগী নুংঙাইবা লৈগনি। মরুপ মপাংনা হায়বা তাকপা লৌরদি শোইদনা মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃশ্চিক : ৱাঙাঙদি খরা হৈবা ফগনি নৎত্রবদি নথক থোংবগা মরী ফরোই। অমরোমদা অনীংবা থবক পাংবা ঙমগনি, ওই-ওইথক তানবদা শোইদনা মীকোক থোংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - খাংবা কল্লু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

ধনু : ইচং হেন্না থৌগনু-নোল্লুক্লা চৎলু অমদি মীতোপ থাজ গনু। য়েক্লবদি লায়না খুদুম চনগনি অমদি মীঙোন্দা লৈখিবা লন ফংবা য়াবা লৈরে, মীয়াম্না চাল্লি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা য়াম্না লুনা তৌবি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মকর : হোয়া ফগনু, ফিংগনু, অনম তানগনু নৎত্রবদি ইমুংদা ঈং-তপ্পা ৱাৎকনি অমদি মীতোপকসু খৎনবা য়াবা লৈ। অরুবা থবক পায়গনু, নীংবদুমক পাংদা য়াদে খনগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - মতম ঙাইবা ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কুম্ব : নীংবা ঙসিসু খ্বাইদগী হেন্না থুংগনি, ওইজ-ওইথক তানবগী লম্‌দা চিংনদনা খুৎচাউ থাবা য়াগনি অমদি পন্দুনা লৈখিবা লন ফংবা য়াবা লৈরে। অঙম্বনা চানগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিন : মায় পাক্কনি, লন চংগনি, লৌশিং ফংগনি অমদি খুদোংথীবা নংবা য়াবা মফমদগী লায়না নাম্থোকচগনি। মীতোপতি থাজবা য়াদে অমদি অরোনবা হায়দোক্কনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

# হকচাং ফনা পুন্না চৎমিন্নদুনা ৱাজরবী ঈমা কংলৈপাকপু অমুক্তংদি মোমোন নোকহনসি

নোকফেৎ তৌবা মায়থোঙগী মরুমদা

মণিপুরিশিংগী চহী ২০০০ হেল্লকলবা পুৱারিদা অহল-লমনশিংনা হায়নরম্বা লৈ অৱাবা মচা লেম্না মাংদে। থম্মোয় শেংনা তৌগে খন্না হোৎপু হোৎনরবদি ফংদবা লৈতে হায়না। তাইবং মপুনা শোয়দনা উগনি নংগী হোৎনজমন। অখাঙ কনবা, অচঙবা মরু ওইরবদি লৈকংদা হুন্দোকলবা ফাওবদা মশা মথন্তা হৌগৎপা ঙম্মী।



তাইবং খ্বাইনা ফজে হায়না চাংদম্ন রিবা থৱানমিচাকশিংগী মরক্তগী খ্বাইদগী মশেক-মঙান লৈরবা দ্রুবতারাগী মতুংদসু অমম্বা মমি খরদং ওইরবসু শোয়দনা লৈরমগনি। মালেম অসিগী শক্লাইরবা-শক্লাইরবী কয়াগী পুন্সিদা মীপুম খুদিংনা মখোয়শিং অদুগী মশেক-মঙাল, শক্ল-শোন্নবগা লোয়ননা মতম পুম্নমক্তা মোমোন নোক্লা উরগসু মীপুম খুদিংনা খঙদবা-উদবা দ্রুবতারাগী মতুংদা অমম্বা খরদং ওইরসু লৈরমগনি হায়না থাজনরিবা অদুম্না শক্লাইরবা-শক্লাইরবী কয়াগী পুন্সিদসু অমম্বগুম্না ঐখোয়না উবা ঙমদবা অৱাবা কয়া অমসু লৈরোই হায়নিংঙাই লৈতে। লমদম অসিগী দ্রুবতারাগুম মশেক-মঙান লৈবা মপারি ‘মীতৈ নোংশা, কংলৈ মপারি অথোইবা’ হায়না মিংথোল ফংখ্রবা মশাগী চহী ৫৫ শুরবা ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার মীতৈ গা হুইয়েন লানপাউগা উনজরুবদা ইচম চম্না য়াম্না লায়রনা চাবা ফংবোই-ফংদবোই কংলাতোন্থীদা ষন শেল্লমবা অঙাং অমদগী মিষ্টর ৱর্ল্ড অমসুং মালেমগী মীওইশিংনা ফংবদা ৱারবা টাইটল কয়া লৌরকখ্রবা মহাক্কী পুন্সিগী লন্থীদা থেংনখিবা অৱা-নুংঙাই কয়া অমা ফোঙদোকপীরকখি।



অদু লোয়না মায়পাকপা ঙমখি হায়বদা হায়মনবা থোকলোই। অদুবু ঙসিসু মহাক্কী চাংয়েং য়েংবা লেপ্তুরি হায়জনিংই। অৱাবা কয়া মায়োক্নখ্রবা তুং লিমফোমা কেন্সরগী লায়নানা চহী অমা অনীসিদা নাদুনা য়াম্না ৱাবনা থবক কয়াদা অপনবা অয়েৎপা হায়বদু ওইরি। অদুবু ঙসিদি হান্নগুম মীয়াম্না শাথী হায়নরিবা কেন্সর অসিসু মহাক্কী থৌজালদগী মায়থিবা পীবা ঙমখ্রে। মসি পুম্ন মকসি মালেমগী অমদি লমদম অসিগী মীয়ামগী নুংশিগী থৌজালনা ফবা ঙমখিবনি হায়না ফোঙদোরকখি। ঙসিগী নহা ওইরিবা শান্নরোইশিংনা মতম খরগী ওইবা পৈশা, মীংচৎ, লম কোয়বা অমদি গভর্ণমেন্টগী থবক অমা ফংনবগী পান্দমদা হু চেল্লবা হিদাকশিং শীজিন্নবা শান্নরোয়শিং য়াওদবা নত্তে। য়ারিবমখৈদি অদুগুল্লবা হিদাকশিং অদু তুংগী, য়ুমগী অমদি লমদম অসিগী ওইনা খল্লগা শীজিন্নহনবা পামদে। নিংবা কায়রে, নিংবা থুংদ্রে হায়না দ্রগ চাশিন্দুনা তাঙলবা পুন্সি মাঙহনবা ৱাখল লৈবা অশিংবা মী অমগী থবক নত্তে। মদুগী মহুত্তা মীপান তাংদনা হিংলম্বা ঈমা কংলৈপাক্কী খল্লগা হিংলিঙৈ পুন্সি মতেক অসিদা করিগুম্বা খর তৌরম্বনা হেন্না ফগদরা হায়না খল্লি হায়নসু শান্তিকুমারনা ফোঙদোকপীরকখি।

শান্তিকুমার অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা লাইরিক তম্বদা থৱায় য়াওরকখিবা মীশক অমা ওইরকখি। অৱাবা কয়া খাঙদুনা লাইরিক তম্নবগীদমক য়ুমগী অহলশিংগা খৎনদবা য়াওখিদবসু নত্তে। অদুবু মহাক্লা তেরা শাপম লৈকায়গী রুরেল ইন্সটিট্যুটতা মেট্রিক, দি এম কোলেজদা বি এ লোয়ননা এম এ, এম ফিল অমদি পী ঐচ দিনা জৱাহরলাল নেহরু য়ুনিভর্সিটি (জে এন য়ু) দা লোয়শিনখি। মলেমগী থাক্তা এৱার্দকী ওইনা হায়রগদি মশীং য়ামখ্রে অদুবু মরুওইবা খরদং পঞ্জরবদা মিষ্টর ৱর্ল্ড ২০১৩, মিষ্টর টাইৱান ১৯৯৭, ৯৮, ৯৯ অমদি ২০০১ দগী ২০১৩ ফাওবা নন ষ্টোপতা গোল্ড লৌবিখি। মিষ্টর ইষ্ট এসিয়া, মিষ্টর এসিয়া, মিষ্টর ৱর্ল্ড, মিষ্টর য়ুনিভর্স অমদি মিষ্টর নেচরেল ওলেম্পিয়া লোয়ননা মীতৈ নোংশা, কংলৈ অথোইবা মপারী, ইরাবোত মেমোরিয়ল ইন্টরনেসনেল এৱার্দ, এক্সলেন্ট স্পোর্টস পর্সন, লাইট টাইৱান, এৱার্দ ওফ গুদ লিদরশিপ, এম্বেসেদর ওফ আই এন বি এ এসিয়া অসিনচিংবা কয়া অমা লৈখ্রে। অমদি আই এন বি এ টাইৱানগী প্রসিদেন্টসু ওইরি। মসিদা নত্তনা মরুওইবা থৌ কয়া অমসু পুরি।




শান্তিকুমারনা হায়বিরকই, নেচরেল বোদিবিল্ডিং হায়বসি কনাগুম্বা অমনা সপ্লিমেন্ট শুকচা চাদবা ওইরমগনি হায়না খন্নবসু য়াওই। প্রোটিন পাউদর থকই, সপ্লিমেন্ট, এম্যুনো এসিদ হকচাংদা য়াওবা মিনরেলশিং লোয়না চাই। নেচরেল হায়রগদি ষ্টেরোইদনচিংবা খুৎশেমগী ওইবা হিদাকশিং অদু চাদনা বোদি শেম্বা অদুনি। নেচরেল ওইনা হকচাং শেম্বা মতম য়াম্নদি চংই অদুবু য়াম্না কুইনা চৎলি।

য়াম্না চম্না হিংজবা মীওই অমবু হোল ওফ ফেম পীবিবা, মালেমনা পীবিরিবা নুংশিবা অসিগী ক্রেদিট মীওই অমা খক্তদা পীবা হায়ঙমলোই অদুবু ঐগী লৈখিদ্রবী ঈমা অমদি বাবা, ঈচেশিং, ঈয়াম্বাশিং, ওজাশিং অমদি ঐগী নুপী চনিং লৈমা লোয়ননা মালেমগী মীপুম খুদিংগী থৌজাল অদুনা ঙসিগী থাক অসি য়ৌবা ঙমলকখিবনি। লোয়ননা মালেমগী মফম কয়াদা বোদিবিল্ডরগী প্রোগ্রাম শিল্লিবা মখোয়শিং অদুসু ক্রেদিট পীদবা ঙমলোই হায়খি। ঈপা-ইপুশিংনা হায়নবিরম্বা নুপা অমগী পুন্সিদা মায়পাকপদা মহাক্কী নুপীগী চাওরবা থৌদাং লৈ হায়বদু ঙসি ঐঙোন্দসু থোক্লে হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। তশেংনা মহাক্লা, ঐনা তৌবা থবক খুদিংদা অৱাবা করিমত্তা উৎতনা হিরম খুদিংদা য়ুম্বী অমগুম লেপখি। ‘মায় জর্নি : এ লেন্দলেশ পীজন্টস সন ওন দ টোপ ওফ দ ৱর্ল্ড’ হায়বা লাইফ জর্নিগী ওইবা আওন ওটোবাইওগ্রাফী ২০১৪ দা পব্লিস তৌখ্রে। মসিদা অঙাং ওইরিঙৈদগী ঙসি ফাওবদা থেংনরকখিবা অৱা-নুংঙাইশিং অমদি করম্না পুন্সি লম্বেল অসি লাকখিবনো হায়বনচিংবা ৱারী কয়া লাইরিক অসিদসু য়াওরি।

মীওইবদা মী মচা-অচৌবা হায়না খাইবা অসি য়াম্না লাইবক থীবনি। মসিদা মীয়াম্না ৱাখল তাবা অমা চংলি। অচৌ-অশাং ওইরগসু খুন্নাই অসিগী কান্নবা থবক তৌদ্রগদি করম্না অচৌবা মী অমনি হায়গদৌরিবনো? লায়রবা মীচঙ শঙ্গ লৈজদ্রবা মী ওইরবসু মহাক্লা করিগুম্বা লমদম অসিগী কান্নবা থবক খরদং ওইরবসু তৌরক্লবদি অচৌবা মী চিংই। অফবা খরা তৌশি, পুন্না চৎমিন্নশি, পুন্না চৎমিন্নদ্রগদি লমদম অসি চাওখৎপা ৱাগনি। ইশাসু ইকাইখুম্নসি, লমদম অসিবুসু ইকাইখুম্ন সি, অকিবা লৈতনা চহী খরা হোৎনমিন্নশি অদুগা য়েংশি লমদম অসিগী ফিবম। ঐখোয় মণিপুরিশিংদা থৌনা লৈতবা নত্তে, হৌখ্রবা পুৱারিনা খুদমনি হায়না শান্তিকুমারনা ফোঙদোকপিরকখি।

পুন্সি হায়বসি অঙকপনি ! ঐগী পুন্সিদা অৱাববু হায়রো, মহৈ-মশিন তম্বদা ওইরো, য়ুমগীসু য়াওনা তাইবঙ মপুনা চাংয়েং কয়া অমা য়েংলকখ্রে হায়না খনজৈ। তাইবং মপুবু থাগোন্দুনা নোল্লুক্লা মহাক্লা পীবিরকপা চায়েংশিং

ডা. খাইদেম অথৌবা মৈতৈ